## সী পি আইনা ...

*লামায় ১গী মখা...* মকোক য়াওদনা য়ারোই মীচম অমনা হেক্তা লল্লোনবা ঙমগদবা নত্তে। দ্রগ লল্লোল্লিবা অসিসু মকোক য়াওবা ঙাক্তনি। মকোক য়াওবদগী চেন্নবা কয়া লৈতবা নত্তে। মণিপুরগী মীয়াম মবুক ফবা ঙাক্তনি। সী পি আইসু লৈঙাক পায়বা য়াওরম্মী, এগ্রিকলচর পায়রম্মী মদুদা হার ফংদবগী ৱাথোক অমত্তা লৈহন্দে। দিষ্ট্রিক্ট ওফিসর হাপ্পুনা ফজনা য়েঙ্খোকখি। অদুবু হৌজিক্তি হার ফংদবগী ৱাথোক তৎতনা থোক্লে। হৌজিক হার বেগ ৭০০০ য়ৌরকখ্রে। মসিদা অধার পুরক্লো, পাট্টা পুরক্লো হায়দুনা লৌমীশিং কোয়চেন চেন্নরি। অদুনা লৌ উজরিবা লৌমীশিংদা হার মতিক চানা ফংহন্দুনা পোত্থোক পুথোক্লবা হোৎনহন্দ্রিবা ফাওবা খোঙজং চঙশিনবা হল্লোই হায়খি।

**অ ঈং-অশাগী পাউ**

খ্বাইদগী শাবা ৩৩.৮৯°C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৬.০২°C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৪.৫৮
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.২৭
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৭

**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 82.818095 |
| US Dollar | 78.327877 |
| British Pound | 96.232808 |
| Australian Dollar | 54.263463 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.707301 |
| Japanese Yen | 0.579516 |
| Malaysian Ringgit | 17.782421 |
| Singapore Dollar | 56.545722 |
| South Korean Won | 0.060996 |
| Saudi Arabian Riyal | 20.887434 |
| Thai Baht | 2.218428 |

## GAS NEWS

**KHORIPHABA NAMBOL BK.UPTO DATE**
Timing 6.30am to 10 am
Cont.no 8787632782, 6009194940

**M/S R & H INDANE SERVICE IRILBUNG**
Only Home Dellivery
**Booking Upto19/04/22**
Valid from12/04/2022
**STOCK 306 NOS.**
Office contact nos. numbers 8132036940/ 8414824977/
Call Time 8am to 12 noon
Sunday closed

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 08/06/2022
**BOOKING UPTO: 11/06/2022**
BOOKING AND ENQUIRY ONLY : 03852444677, 9436280866
TIMING: 7:30 AM to 11:00 AM

**M/S MISAO GAS SERVICE**
ONLY HOME DELIVERY
**Booking-- Upto Date(14.2kg)**
*****19kg Available**
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM.

**HIYANGTHANG INDANE.**
**BOOKING 05-06-22.**
Valid..26-05-22.
**Stk.-306.**
Timing 7.a.m.to 11.a.m.
Only home delivery Service.
Contact no. Office no. 6381538861. 8414043907.
Whatsapp.no. 6009260971.

**TDK GAS**
**BK. UPTO 26/04/22.**
VF.24/04/22.
STK. 306.
HOME DELIVERY
ONLY CONTACT NOS. 8731992324.
TIMING 9:00 AM TO 3:00 PM.

**CANCHI INDANE SERVICE**
**BOOKING UPTO 15/06/2022**
VALID FROM NIL
14kg,19kg & 5kg UJJAWALA AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WITHIN 4 DAY
KWAKEITHEL 6009600531
NAOREM LEIKAI 9863763938 & 7005352782
CONTACT TIMING 08.00 to 10.00am

**MANIPUR GAS SERVICE**
Area wise home delivery and contact number, Call timing 8.00 am - 12.00 pm
1) Ahallup, Heingang, Kairang, Khabam, Achanbigei, Mongjam (9863385995)
2) Mantripukhri, Luwangsangbam, Koirengei, Nilakuthi, Khonghampat & Surrounding etc. (8787857518)
3) Lairikyengbam Leikai, Khurai, Pangei Road, Ukhrul Road, Kongpal, Top (7424085506)
4) Laipham Khunou, Nagaram, Dewlahland, Namdunlong, Khoyathong, Nagamapal & Uripok Road (8414886475)
5) Hatta, North AOC, Ragailong, New Checkon, Wangkhei, Kongba etc. (7005318243)
6) Poumai Colony, Sangakpham, Nongmeibung, Tellipati, Soibam Leikai, Wangkhei Khunou, Porompat, Kshetrigao A/C (7005282449)
7) Thangmeiband, Lamphel, Langol, Tarung (9615943811)
8) Chingmeirong, Thangal & Paona Bazar, Sagolband, Keishampat, Khagempalli, Kwakeithel, Singjamei AC etc. (8131832195)
8) Complain and Enquiry Number 8730954041
**Booking 14/06/2022**
Valid from 01/06/2022

**M/S K&K INDANE SERVICE,**
Home delivery only
**BOOKING UPTO DATE**
20 days gap from last delivery
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE & MAYAI LAMBI-9362663937/9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 9862239855 / 8258856407 *KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837.

# অনৌবা কেস ৩ থেংনরে, এক্টিভ কেস ১৪ শুরে, মীওই ৪৩ খক্তমক হীদাক কাপখি

ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচএনএস) : চৎলিবা থা অসিগী ২২দা অনৌবা পোজিটিভ কেস ৩ থেংনখ্রবা মতুং অনীরকশুবা ওইনা থা অসিগী ২৫দসু কেস ৩ থেংনখিবগী মথক্তা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদসু অনৌবা পোজিটিভ কেস ৩ থেংনবদগী মণিপুরগী অপূনবা কোভিদ-১৯গী এক্টিভ কেসকী মশীং ১৪ শুরবসু নুমিৎ খুদিংগী কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কাপ্পগী থবক লেপ্তুনা চত্থরল্লিবা অসিগী মনুংদগী ঙরাংদি শুপ্নতগী মীওই ৪৩ খক্তমক হীদাক কাপখি।

ঙসি নুংথিলগী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী রিপোর্ট মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী মনুংদা দিষ্ট্রিক্ট ৭গী সেম্পলশিংদা বিষ্ণুপুর ২, চান্দেল ১, চুড়াচান্দপুর ১, ইম্ফাল ইষ্ট ৮, ইম্ফাল ৱেষ্ট ১৬, থৌবাল ১ অমসুং উখ্রুলদগী সেম্পল ১গা লোয়ননা অপূনবা মীওই ৩০গী সেম্পলশিং টেষ্ট তৌখিবদা পোজিটিভ কেস ৩ থেংনখিবনি। পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অদু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী ঙাক্তনি। মখোয়গী মনুংদা নুপা ২ অমসুং নুপী ১নি। মখোয়গীদমক লৌখৎফম থোকপা মেদিকেলগী মাঙজৌনবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুংদা কন্টেনমেন্ট অমসুং কন্টেক্ট ত্রেসিংনচিংবগী থবকশিং লৌখৎলে হায়রি।

মসিগা ইরোয়ননা ষ্টেট লেভেল কোভিদ-১৯ দেথস ওদিট কম্মিটিগী রিপোর্ট মতুংইন্না লায়না অসিনা মরম ওইরদুনা মীওই অমত্তগী পুন্সি মাঙখিদবনা হান্নদগী লৈরকপা অপূনবা লৈখিদবা মীওইশিংগী মশীং ২১২০ অদুদগী হেনগৎলকপা লৈত্রি।

অদুবু হৌজিক ফাওবদা থেংনবা অপূনবা কেস মশীংনা ১,৩৭,২৫৮ শুরে। মসিগী মনুংদা মীচম মীয়ামগী মশীংনা ১,৩২,২৪৪নি। অদুগা মপান্দগী লাকপা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা ৫,০১৪নি। অপূনবা ফগৎলকখ্রবশিংগী মশীংনা ১,৩৫,১২৪নি। মসিগী মনুংদা মীচম মীয়ামগী মশীংনা ১,৩০,১১৭ ওইরগা মপান্দগী লাকপা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীংনা ৫,০০৭নি। রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৪৫তা লৈরি।

অমরোমদা, লায়না অসিবু মায়োক্লনবা লেপ্তুনা লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুং চন্না ঙরাং ফাওবদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা হেল্থ ফেসিলিটি শিংদা ফংহনখিবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিংগী অপূনবা মশীংনা দি টাইপ ৮৪, বি টাইপ ১২নি হায়রি। অদুবু এক্টিভ কেসশিং হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈবনা জেনিমস অমসুং রিমসতা কোভিদ পেসেন্টশিংগীদমক অখন্ননা খাক্তুনা থল্লক্লিবা ফমুংশিং মথংশিৎনা ১০০ অমসুং ৪৭তসু পেসেন্ট অমত্তা লৈত্রে। অদুগা ঙরাং খক্তদা মীওই ৪৩ হীদাক কাপথোকখিবা থারগা হৌজিক ফাওবদা পূন্না হীদাক কাপথোকখ্রবা মীওইশিংগী মশীং ২৯,৫৩,৩৫১ শুরে। মসিগী মনুংদা অহানবা দোজ কাপথোক্লবা মীওইশিংগী মশীংনা ১৫,৯০,২৮৬নি অদুগা অনীশুবা দোজ কাপথোক্লবা মীওইশিংগী মশীংনা ১২,৫৫,৪৫৮নি। অদুগা প্রিকোসনরি দোজ কাপথোক্লবা মীওইশিংগী মশীংনা ১,০৭,৬০৭নি হায়রি।

ঙরাং জুন ২৬, ২০২২ ফাওবদা মণিপুরগী অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬তা লৈখিবা হীদাক কাপথোক্লবা অপূনবা মীশিংগী চাংনা বিষ্ণুপুর - অহানবা দোজ ৭৩.৮৯, অনীশুবা দোজ ৬১.১৫, চান্দেল অহানবা দোজ ৭৬.২৪, অনীশুবা দোজ ৬৯.৯৮, চুড়াচান্দপুর অহানবা দোজ ৬৩.৪৮, অনীশুবা দোজ ৬০.৭২, ইম্ফাল ইষ্ট অহানবা দোজ ৭৬.১৮, অনীশুবা দোজ ৬৪.৭৯, ইম্ফাল ৱেষ্ট অহানবা দোজ ৭৭.৭৮, অনীশুবা দোজ ৬৭.৯৮, সেনাপতি অহানবা দোজ ৩৬.০৩, অনীশুবা দোজ ৩১.২২, তমেংলোং অহানবা দোজ ৪৪.৩৬, অনীশুবা দোজ ৩৫.৬২, থৌবাল অহানবা দোজ ৬২.৩০ অনীশুবা দোজ ৫২.৯৪, উখ্রুল অহানবা দোজ ৪২.১৪, অনীশুবা দোজ ৩০.৪৩, তেংনৌপল অহানবা দোজ ৪৯.৪৬, অনীশুবা দোজ ৩৮.০২, কাংপোকপী অহানবা দোজ ২২.৭৮, অনীশুবা দোজ ১৭.৪৭, কামজোং অহানবা দোজ ৩৮.৫৭, অনীশুবা দোজ ৩০.৬৭, জিরিবাম অহানবা দোজ ৭৩.১৬, অনীশুবা দোজ ৬১.৬৭, ফেরজোল অহানবা দোজ ৩৬.৬৮, অনীশুবা দোজ ৩৯.৪০, নোনে অহানবা দোজ ৪৩.৫৫, অনীশুবা দোজ ৩৪.৭৮, ককচীং অহানবা দোজ ৭৮.৩২, অনীশুবা দোজ ৬৭.৬৬নি হায়রি। অদুগা মণিপুরগী ওইনা অপূনবা কোভিদ ভেক্সিনগী অহানবা দোজ কাপথোকখিবা মীওইশিংগী চাংনা চাদা ৬১.৯৬নি অদুগা অনীশুবা দোজ কাপথোক্লবশিংগী চাংনা চাদা ৫৩.০৭নি হায়রি। লোয়ননা কোভিদ কন্ট্রোল রুমগী টোল ফ্রী ফোন নম্বরনা ১৮০০-৩৪৫৩-৮১৮নি হায়রি।

## ইশাগী রাইটতি ইশানা লৌজগদবনি মীনা...

*লামায় ১গী মখা...* পেন্দবগী থৌদোক অমা থোকপা মতমদা কম্মিসনদা লাক্তুনা ৱাকৎলবগী চাং অসি য়াম্না ৱাৎলি। অখণ্ডবা মীসু খঙদবা মীনসু কম্মিসনদা লাক্তুনা ৱাকৎলবগী মহুত্তা লম্বীদা থোক্তুনা লাউরগা হেন্না কান্নবা ফংবগুম খন্নরি। মসি য়াম্না নুংঙাইতবা থৌওং অমনি। মণিপুর হ্যুমেন রাইট কম্মিসন অসি লমদম অসিদা লৈরিবা শেল পুথোক্তুনা লোয়র নেকপা ঙমজদবা, কেস মতৌ করম্না থেংনগদগে খঙজদবা অমদি পাম্বৈ লৈত্রবা লায়রবা মীয়ামগীদমক্তনি।

কম্মিসন অসিনা লিংখৎলকপদগী লোগী মতুংইন্না হৌজিক ফাওবদা কেস ৮০০ রোম সোল্ব তৌখ্রে। মীয়াম্নসু থৌদোক থোরকপা মতমদা কম্মিসনদা লাক্তুনা ৱাকৎপগী হৈনবী অমা লৈহন্নবা হোৎনগদবনি। মতম পুম্বদা লমদম অসিদা লৈরিবা নমহৎপীরবশিংগীদমক কম্মিসন অসিনা লেপকনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, হৌখিবা কুমজা ১৯৯৮ দা কম্মিসন অসি ইহান হান্না লমদম অসিদা শাফোংলকখিবনি। কম্মিসন অসি লৈরকখ্রবা মতুং তোঙান তোঙানবা থবক থৌরম কয়া মায় পাক্না পায়খত্তুনা লাকখ্রে। কম্মিসন অসি মীওইবগী হকশিংবু ঙাক শেন্নবা অমদি য়োকখৎনবগী থবক থৌরমশিং পায়খৎলিবা বোদিনি। লমদম অসিদা পুলিসনা চত্থখিবা কা হেনবা থবক থৌরম কয়াগী মতাংদা কম্মিসন অসিনা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খত্তুনা লাকপগা লোয়ননা লো এনফোর্সিং এজেন্সীশিংদা মতম মতমগী ওইবা এৱারনেসশিং পীদুনা লাক্লি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা হ্যুমেন রাইটস এলর্ট (ঐচ আর এ), মণিপুরগী দিরেক্টর বব্লু লোতোইবম্নসু হ্যুমেন রাইটসকী মতাংদা মরুওইবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

## লাই হরাওবা, লাই লম থোকপদা তৌশিল্লক্লিবা ...

*লামায় ১গী মখা...* চাকচাগী ৱাফমসু ঙাক্ত্রে। লমচৎ শাজৎ, চাকহেন ঙাহেন ঙাক্ত্রে। লাই লম থোকপসি লাইনীংগী মচৎ অমনি। ইবুধৌ-ইবেনধৌনা থৌজালবীরম্বগী মচৎনি। ঈংনা অমসুং য়াম্না নুংশিনা লাই নীংজগদবা অদু মমাঙদনা শঙাকফমদা পুলিসনা ফূবদগী লাই হুন্দোক্লম্লগা চেনবা অদুগা হন্দক্না দোলাই হুন্দোক্লম্লগা লাই পুবনি। অদুগা হৌজিক্না লাই ঙাওবা হায়বা অমগী মতাংদা চৎনবী অমসু লাক্লে। ময়াম্না লাই ঙাওবা য়েংসি হায়নবা তাবদা ইকায়বা ফাওরক্লে হায়খি।

ময়াং ইম্ফাল চবুং কম্পেনিগী ৱাংব্রেন হরাওবগী লম থোকপদা তুরেলদা পুল্লপ চোংথৈ। করিগুম্বা তুরেলগী ঈমাইদু চাওরম্লবদি চোংথরিবশিংদু শিরোইদ্রা হংখি। লাই হরাওবগী ফিজোল শেৎতবা, খোঙগ্রাও শেৎপা ময়ামদুনা ইকোয় কোয়না লাংশিল্লি। লাইদা করেম্নবী হায়। লাইদা করেম্নবা থৌওং অদুনা লাই ঙাওবা ফৈ হায়বসু য়াওই অদুগা লাই ঙাওই হায়নবসু য়াওই। মরম অসিনা ঐখোয়গী লাই হরাওবগী লাই লম থোকপগী থৌরম অসি লাই ঙাওবা চৎলিব্রা নৎত্রগা ঙাওশিন ফৈজিন্নবা চৎলিব্রা হায়বগী ৱাহং থোরক্লে। মরম অদুনা লাই ঙাওবা হায়বসি করিনো হায়বগী মতাংদা নৈনবগী তঙাইফদবা লাক্লে। লোয়ননা লাই হরাওবা অমসুং হরাওবগী থৌরম মনুং চন্না লাই লম থোকপদা তৌশিল্লক্লিবা ময়াম অসিগী মতাংদা নৈনদবা য়ারক্ত্রে হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরকখি।

## *এম এল এ, এসএস ওলিশকী অপুনবা লন ...*

*লামায় ১গী মখা...* লুপা ১,৪৯,,৩২১ লৈখি। মহাক্কী ওইনা মেক্স লাইফ প্লাটিনম ৱেল্থ প্লান পোলিসিদা প্রেমিয়ম এমাউন্ট ওইনা লুপা ১০,০০,০০০ ইনভেষ্ট তৌই হায়বগী রিপোর্ট অমসু য়াওরি। লোয়ননা চাওরাক্লা লুপা ১,৬৭,৯০০ লোম ওইগদবা সনা গ্রাম ৩.৭৬১ লৈ অমদি চান্দেল টাউনদা মহাক্কী মীংদা ভারত পেট্রোলিয়ম এম এস/ঐচ এস দিগী রিটেল ফ্যুল পম্প অমা লৈ। এম এল এ, এস এস ওলিশকী অপুনবা লন থুমগী শেনফম অসি লুপা ৯৫,৩৬,০৩৯ ওইখি।

মহাক্কী মীংদা এগ্রিকলচরেল লেন্দ ওইনা চকপিদা একর ২.০০ অমদি একর ১.৫২ রোম পাকচাওবা লম লৈ। নন-এগ্রিকলচরেল লেন্দদা চকপিদা একর ১; একর ০.৮৭৯; একর ০.৫২ অমদি একর ২.১০ লৈ হায়রি। মহাক্কী মীংদা কর্মসিএল বিল্ডিংদি অমত্তা লৈতে। পেন্দিং ক্রিমিনেল কেস অমা ফাওবা লৈতবগা লোয়ননা এফিদভিট অদুদা মহাক্কী ওইবা চহীগী টোটেল ইনকমগী মতাংদদি ৱাফম অমত্তা পন্দে।

## অগ্নিপঠ স্কিমগী মায়োক্তা কোংগ্রেসনা মফম ...

*লামায় ১গী মখা...* হৌবনি। অগ্নিপঠ স্কিম অসিগী মখাদা খুদোংচাবা পীগদৌরিবা অগ্নিভিরশিং অসিগী রেঙ্ক প্রমোসন অমদি পেন্সনগী খুদোংচাবা লৈতবনা স্কিম অসিমক নহারোলশিংগী ওইনদি য়াম্না লাইবক থীবা অমনি হায়খি।

স্কিম অসিনা লৈবাক অসিগী নহাশিংগী পূক্নিং ৱাখল হন্থহনবদা নত্তনা স্কিম অসিমক মীয়ামগী মায়োক্তা লৈবা স্কিম ওইরক্লে হায়খি। লৈবাক অসিগী ময়োল চোংখৎলক্লিবা নহারোলশিংবু লমখাংদা য়ৈথখিবা অমসুং তুংগী মীৎয়েং লৈহন্দবা স্কিম অমসু ওইরে। মীওইবা হায়বসি অনীংবা অপাম্বা পান্দম অমগা লোয়ননা হিংনরিবা ঙাক্তনি। চহী মরিখক লৈবাক্কী থৌগল তৌরম্লবা মতুংদা মখোয়গী মরক্তগী চাদা ২৫ খক্তমক মখা তানা থবক পীননবা লৌশিনগনি অদুগা চাদা ৭৫না মখোয়গী হান্নগী ফীভমদা লৈহন্নবা অমুক থাদোরক্কদবা স্কিমনি হায়খি।

স্কিম অসিমক মীয়ামদা উৎ চাইবা স্কিমনি হায়রদুনা অগ্নিভিরশিংবু বি জে পি অমসুং আর এস এসনা করম্বা মখলগী খূৎলায় ওইনা শীজিন্নরক্কদগে হায়বসি হৌজিক অচৌবা ৱাহং অমা ওইরক্লে হায়নসু ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, ঙসি য়াইস্কুলগী ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা চত্থখিবা অগ্নিপঠ স্কিমবু প্রোটেষ্ট তৌবা ৱাকৎ মীফম অসিমক পাৎশোই, ককচীং, হৈরোক, ৱাবগাই, কোম্থৌজমনচিংবগী কোংগ্রেসকী ব্লোক লেভেলগী থৌপুবশিংনসু শীন্দুনা পাঙথোকখি।

ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মফম খরদসু ৱাকৎ মীফম অসি পাঙথোকখিবগা লোয়ননা ৱাবগাই ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা এ সী অসিগী মনুং চনবা ইরোং কৈথেলদা পাঙথোকখিবা মীফমদা হান্না এ সী অসিগী কোংগ্রেসকী মীহুৎ ওইরম্বা এম দি ফজুর রহিমনা অগ্নিপঠ স্কিম অসি নহাশিংগী পুন্সিবু মাঙহন্নবা অমদি মখোয়বু নমথবীবগী থৌরাংনি। চহী ৪ থবক তৌরম্লবা মতুংদা চাদা ৭৫ লৌথোক্লগা শুপ্নতগী চাদা ২৫ খক্তমক থমহৌগদৌরিবনি। লৌথোরক্লবা নহাশিং অদুগী পুন্সি কদোমদা চৎকদৌরিবনো হায়নসু মহাক্না হংলদুনা সেন্টর অমদি ষ্টেটতা লৈরিবা লৈঙাকসিনা লমদমসিগী নহাশিংবু মীরাইবীরে। হৌজিক য়ু পি এস সী অমদি এম পি এস সীনা লৌরম্বা থবক কয়া চাং নাইনা লৌখিদ্রে। হৌজিকসু দিপার্টমেন্ট কয়াদা ফমশিং হাঙদুনা লৈরি। অসিগুম্বা অসিদি করিসু খন্দনা ইনখৎলক্লিবা নহাশিংগী পুন্সিবু মাঙহন্নবা হোৎনরক্লিবা অসি মীয়াম পূন্না অমত্তা ওইনা লেপমিন্নদুনা থেংনমিন্নরসি হায়খি।

ককচীং ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফমদা শরুক য়াখিবা পার্টিগী সেক্রেটরি কে এস ঐচ কেন্নেদিনা বি জে পি লৈঙাক্না হৌজিক হৌদোরক্লিবা অগ্নিপঠ স্কিম অসি লমদমসিগী ইনখৎলক্লিবা নহাশিংগী পুন্সিবু মাঙহন্নবগী থৌরাংনি। মসিদি লাইনীং লম্বেলদা হেন্না লুপশিনবা অমদি বি জে পিগী পোলিটিকেল ৱিং অমা ওইরিবা আর এস এসকী থৌমী লৌনবগী লৌতুনবা থৌরাংনি। ইনখৎলক্লিবা লাইরিক লাইশু হৈরবা মীরোলনা ৱাখল মুন্না খন্থবীদুনা অচুম অরান লেপ্পীয়ু। বি জে পিনা ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ৱাখল্লোনদা বিল ময়াম পুথোরক্লি। মমাঙথক্তসু মথোং হুক্তবা ফার্ম লো পুথোরকপদগী লৈবাক অসিগী লৌমী পূম্বনা ঈরাং হৌরক্তুনা বিল অদু হন্দোকহনখ্রবনি। হৌজিকসু ইনখৎলক্লিবা নহাশিংগী খন্দুনা কোংগ্রেসনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙথাংসিদা মীয়াম হুপ্না শরুক য়াবীয়ু হায়খি।

## বিষ্ণুপুরগী দি সীনা জুলাই ১২ ফাওবগী মনুংদা লৌথোক্লবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচএনএস): মণিপুর কঞ্জার্ভেসন ওফ পেদিলেন্দ এন্দ ৱেটলেন্দ এক্ট, ২০১৪ অমসুং মণিপুর লেন্দ রেভন্যু এন্দ লেন্দ রিফোর্মস এক্ট, ১৯৬০গী মতুংইন্না নেসনল হায়ৱে/ষ্টেট হায়ৱে/ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট রোদ অমসুং অতৈ লম্বীশিং য়াওনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী তুরেল মপান্দা লৈবা ষ্ট্রকচরশিং মথং থাগী ১২গী নুংথিল পুং ৩ ফাওবগী মনুংদা লৌথোক্লবা দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা খঙহনখ্রে।

লোয়ননা নন-এগ্রিকলচরেল এক্টিভিটিশিংগীদমক মরী লৈনবা ওথোরিটিগী অয়াবা য়াওদনা ওন্থোক্লম্বা লৌফমশিংবুসু হান্নগী এগ্রিকল্চরেল লেন্দশিং ওইনা হায়রিবা নুমিৎ অসিগী পুংফম অসি ফাওবগী মনুংদা হঞ্জিনহনগদবনি হায়নসু খঙহনখ্রে। মসিগী মতাংদা ঙসি বিষ্ণুপুরগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর লৌরেম্বম বিক্রমনা ওর্দর অমা থোকখ্রে।

## এমপ্লোয়ীশিংগী তোলোপ পীথোক্ত্রবদি খুদক্তগী সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক তৌরগনি

ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচএনএস) : মণিপুর লৈঙাক্কী এমপ্লোয়ীশিংগী বোদিশিং ওইরিবা ওল মণিপুর ত্রেদ য়ুনিয়ন্স কাউন্সিল (এমটুক) অমসুং ওল মণিপুর গভর্ণমেন্ট এমপ্লোয়ীজ ওর্গনাইজেসন (এমজিও) গী অপূনলূপ জোইন্ট এদমিনিষ্ট্রেটিভ কাউন্সিল (জে এ সী) গী প্রসিদেন্ট সী ঐচ চন্দ্রমনিনা ঙসি চীফ মিনিষ্টর অমসুং চীফ সেক্রেটরিদা অইবা চেরোল অমা পীশিন্দুনা এমপ্লোয়ীশিংগী পীথোক্তনা লৈরক্লিবা মে, ২০২২ ফাওবগী তোলোপশিং খুদক্তা পীথোক্ত্রবদি সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক চঙশিল্লগনি হায়না খঙহনখ্রে।

চেরোল অদুনা খঙহনখিবা ৱাফম অসি থা অসিগী ২৫দা সঞ্জেনথোংদা লৈবা জে এ সী অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা তোঙান তোঙানবা লোয়শঙশিংগী মীহুৎশিং অমসুং জে এ সীগী এগজিক্যুটিভ কাউন্সিলগী মীফমনা লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্ননি হায়রি।

ঙসি পীশিনখিবা চেরোল অদুদা এমপ্লোয়ীশিংগী পীফম থোকপা তোলোপ অমসুং পেন্সনরশিংগী পেন্সনগী শেনফমশিং মতম চানা চাং নাইনা সেক্রেটরিএট সর্ভিসেস অমসুং হোম দিপার্টমেন্টকী এমপ্লোয়ীশিংগা মান্ননা মথং থাদা পীগদৌরিবা চৎলিবা থা অসিগী তোলোপ/পেন্সনদগী হৌরদুনা পীগদবনি হায়খি।

লৈঙাক্কী মকোক থোংবা অনীদা ঙসি পীশিল্লিবা চেরোল অদুনা থবক ওইনা পাঙথোরক্লবা খঙহল্লিবা ৱাফম অনী অসি পাঙথোরক্ত্রগদি খুদক্তগী সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক চঙশিন্নবগী ৱারেপ লৌরে হায়রি।

লোয়ননা মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা এমপ্লোয়ীশিংগী মনুংদা মান্নদবা মীৎয়েং য়েংদুনা মীচং শঙ্গল নাইবগী থৌওং অসি জোইন্ট এদমিনিষ্ট্রেটিভ কাউন্সিলনা হকচিন্না লৌই হায়নসু ফোঙদোকখি।

## চীফ মিনিষ্টরনা ঈচাও ...

*লামায় ১গী মখা...* তেংবাঙ পোৎলমশিং অসি অসামগী লখিম্পুর দিষ্ট্রিক্টতা রিপোর্ট তৌরুগদবনি হায়খি। অসামদা লৈরিবা মণিপুরীশিংনসু চান-থক্লবা পোৎলমশিং ৱাৎলকপা অমসুং ঈচাওনা মরম ওইরদুনা থক্লনবা অফবা ঈশিং ফংদবগী খুদোংচাদবশিং মায়োক্লুরে হায়বগা লোয়ননা মৈতৈ লিপুন কৌবা লন্নাই লূপ অমগী থৌমীশিং অমসুং চীফ মিনিষ্টরস মার্সিএল আর্ট গ্রুপকী থৌমীশিংবু সিলচর, হোজাই, লমদিংনচিংবা মণিপুরীশিংনা পাক শন্না খুন্দারিবা মফমশিংদা মখোয়বু তেংবাঙলুনবা অমসুং তেংবাঙ পোৎলমশিং পীরুনবগীদমক থারগনি হায়খি।

ঙসি থারিবা এস দি আর এফকী টিমদা য়াওরিবা পর্সনেলশিংবু চীফ মিনিষ্টরনা পূক্নিং থৌগৎলদুনা মখোয়না অসামগী ঈচাও মায়োক্লুরবা মীয়াম্বু অঙম্বা থাক্তা মীনুংশিগা লোয়ননা মতেং পাংলুগনি। লোয়ননা মখোয়না মফম অদুদা মী কনবগী থবক চত্থবদা মায় পাকপা ওইরসনু হায়খি।

ঙসি অসামগী ঈচাওনা মায়োক্লুরবা মীওইশিংগীদমক তেংবাঙ পোৎলমশিং অমসুং এস দি আর এফকী পর্সনেলশিং লমথাবগী থৌরম অদুদা রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট মিনিষ্টর অৱাংবৌ ন্যুমাই, এম এলএ রামেশ্বর মীতৈ, চীফ সেক্রেটরি ডা. রাজেসকুমার, এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি এম ঐচ খান অমসুং ভি ভুমলুনমাংসু শরুক য়াখি।

## ১৪২শুবা হেলেন কেল্লরগী মপোক থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৭ (ঐচএনএস): দিসএবল্ড ৱেলফেয়র দিভেলপমেন্ট এসোসিএসননা শিন্দুনা ১৪২শুবা হেলেন কেল্লরগী মপোক থৌরম পোরোম্পাৎতা লৈবা এস এস সী প্লেগ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলা পরিষদকী উপ অধক্ষ্য ক্ষেত্রিময়ূম তমানা অথোইবা মীথুং অমসুং দি দব্লিয়ু দি এগী প্রসিদেন্ট থোকচোম সর্জুনা থৌরম মপু ওইখি। টোপ নাওরিয়া জিলা পরিষদকী প্রধান মংসাতাবম দিনচন্দ্র এলিয়জ লোকেন, ইম্ফাল হেদ ওফিসকী পোষ্টেল এসিষ্টেন্ট এম দি অনৱার হুসেন, এস এস সীগী সেক্রেটরি এম দি লকি অমসুং এ এম দব্লিয়ু পি দব্লিয়ু এগী প্রসিদেন্ট টি রোমিওসু শরুক য়াখি।

থৌরম অসিদা দিসএবল্ড ৱেলফেয়র দিভেলপমেন্ট এসোসিএসনগী সেক্রেটরি নিজেল চীঙ্গাংবমনা নুংগী ৱারোল পীরদুনা হায়, হেলেন কেল্লরগী ১৪২শুবা মপোক থৌরম তৌজরিবা অসি দিসএবল্ডশিংনা মহাকপু নীংশিংদুনা মহাক্কী থৌনা লিংজেল অসি লৌবা ঙম্নবা নীংশিংজবনি। দিসএবল্ডশিংনা হেন্না কন্না হোৎনদুনা হেলেন কেল্লরগুম্না মীংচৎ থম্বা ঙম্নবা হোৎনবা চঙই হায়বগী থৌনাদু নীংশিংগদবনি হায়খি।

থৌরম অসিদা দিসএবল্ডশিংগী জগোয়, ঈশৈ, মেজিক্লচিংবা হৈজ-হৈজবা কয়াসু উৎখি।

## থাংমৈবন্দগী এনক্রোচ...

*লামায় ১গী মখা...* লম্বীশিংনা থাংমৈবন্দ লম্বী (খুয়াথোং জঙ্কসনদগীনা অনৌবা এসেমব্লি ফাওবা), থাংমৈবন্দগী য়ুথ সেন্টর লৈরক, হিজম দেৱান লৈরক, চীংঙাখম লম্পাক্তগী লম্ফেল সুপরমার্কেট ফাওবগী লম্বী, ৱাথম লৈরক্তগী লাইরেনহঞ্জবা লৈরক ফাওবগী লম্বী, নাগামপালদগী ফাইলো (পি ঐচ ৱাই এল ও) ফাওবগী লম্বী, দি এম কোলেজগী এন সী সী ওফিসকা মায়োক্লবা লম্বী, কাংজাবী লৈরক, রিমসকী ত্রাফিক রোটরিদগীনা লম্ফেল সনাকৈথেল ফাওবগী লম্বী অমসুং লম্ফেল সুপরমার্কেটকী লম্বীনি হায়রি।

## চহী ১৮ মখাগী অঙাংশিংদা...

*লামায় ১গী মখা...* নৎত্রগা লুপা লাখ ১ ফাওবগী ফাইন পীহনবগী চৈরাক ফংহল্লগনি হায়রি।

ৱাফম অসি ঙসি লোয়শঙ অসিগী দিরেক্টর ঙাঙোম উত্তমনা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমদা খঙহল্লকপনি। মহাক্কী নোটিফিকেসন অসিনা মখা তানা হায়রিবা ময়াই কাবা পোৎলমশিং অসি চহী ১৮গী মখাদা লৈবা অঙাংশিংদা পীবা/ফংহল্লম্বগী থবক অসি জুবেনাইল জষ্টিস (ক্যের এন্দ প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন) এক্ট, ২০১৫না অথিংবা থমদুনা লাক্লিবনি হায়রি।

মরম অসিনা হায়রিবা ময়াই কাবা মখল কয়াগী চিঙ্গাকশিং অসিবু মীয়াম/রেষ্টুরেন্টশিং/চাফম-থকফমশিং য়াওনা মরী লৈনবা পুম্নমক্না অঙাংশিংদা ফংহল্লম্বা য়ারোই হায়রি।

## *পাৎশোইদা সী এমগী হেল্থ ফোর ওল স্কিম...*

*লামায় ১গী মখা...* কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবা পাৎশোই এ সীগী ওইবা চীফ মিনিষ্টর্স হেল্থ ফোর ওল স্কিম হৌদোকপগী থৌরমদা মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অসিদা এম এল এ সাপম কুঞ্জকিশোর (কেবা) না স্কিম অসি হৌদোকপগা লোয়ননা হায়, মীপূম খুদিংমক হকচাং ফনা, নাদ-য়েক্তনা লৈহন্নবগী পান্দমদা প্রাইম মিনিষ্টরগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা স্কিম অসি হৌদোকপনি। স্কিম অসি মণিপুরদা লৈরিবা মীপূম খুদিংমক মশা ফনা লৈহন্নবগী পান্দমদা চঙশিনগনি। মসিদসু নত্তনা ডাক্টরদা চৎপা ঙমদনা লৈরিবা মীওইশিং অমদি য়াম্না কন্না নাদ্রিবা ফাওবদা ডাক্টরদা লায়েংবা চত্তবশিংগীসু খুদোংচাবা পীরগনি।

য়ূমথোঙ খুদিংদা লায়েংবা চৎপা অমদি অনাবা লৈবশিং লায়েংলবা মতুং হীদাকসু লেম্না পীগনি। পীরিবা হীদাকশিং অসিসু ময়ূম ময়ূমদা চৎতুনা থিনগদবনি। মসিদা আশা ৱার্করশিংগা খূৎশম্নদুনা য়ূমথোঙশিংদা চঙদুনা লায়েংগদৌরিবা স্কিম অসি ঙসিদগী পাৎশোই এ সীদা হৌদোকপনি। স্কিম অসিনা এ সী অসিগী মীয়ামদা কান্নবা পীরগনি হায়খি।

থৌরম অসিদা ডা. রাজেন দি এম ও, এন জি বিমোলা (জিলা পরিষদ), তাকয়েল অমসুং সিনিয়র সিটিজন টি ঐচ তোম্বাসু শরুক য়াখি।

## *ওপোজিসন কেন্দিদেট য়সৱন্ট সিনহাগী মীরেপ চে পীশিনখ্রে...*

*লামায় ১গী মখা...* হায়দুনা পুথোরক্লিবা মশাগী চহী ৮৪ শুরবা হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর য়সৱন্ট সিনহাগী মীরেপ চে পীশিনখ্রে।

মহাক্কী মীরেপ চে অদু পার্লিয়ামেন্টতা লৈবা মীখল অসিগী রিটর্নিং ওফিসরদা ঙসি পীশিনখিবনি। তোঙান তোঙানবা নোমিনেসন পেপর সেট ৪ থোক্না পীশিনখিবা অদুদা শরুক য়াখিবা ওপোজিসন লুচিংবশিংগী মনুংদা কোংগ্রেসকী রাহুল গান্ধী অমসুং নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টিগী মকোক থোংবা লুচিংবা সরদ পৱার য়াওখি। অতৈ লুচিংবশিংগী মনুংদা কোংগ্রেসকী মালি কার্জুন খার্গে, জয় রাম রামেস, সমাজৱাদি পার্টিগী অখিলেস য়াদব, আর এল দিগী জয়েন্ত চৌধরি, টেলঙ্গনা রাষ্ট্রিয় সমিথিগী ৱার্কিং প্রসিদেন্টসু ওইরিবা মিনিষ্টর কে টি রামারাও, টেলঙ্গনাগী চীফ মিনিষ্টর কে চন্দ্রসেখর রাওগী মচানুপা রামা রাও অমসুং পার্টি অসিগী এম পি খরসু শরুক য়াখি। অদুগা অতোপ্পা ওপোজিসনশিংগী মনুংদনা সমাজৱাদি পার্টিগী অখিলেস য়াদব, তৃণমুল কোংগ্রেসকী অভিসেক বেনর্জি, জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী নেসনল কনফরেন্সকী ফরুখ অবদুল্লা, আর এল দিগী জয়েন্ত সিনহা, সী পি এমগী সিতারাম য়েচুরি, দি এম কেগী এ রাজা, সী পি আইগী দি রাজানচিংবসু শরুক য়াখি।

রুল্লিং পার্টিগী মীরেপ ওইরিবী দ্রৌপদি মুরমুনা মীখল অসিদা মায় পাকপা য়াবগী থাজবা ৱাংনা লৈরবসু ওপোজিসন পার্টিশিংগী মনুংদা তৃণমুল কোংগ্রেস, কোংগ্রেস, সী পি আই, সিব সেনা, এন সী পি, সমাজৱাদি পার্টি, দি এম কে, আর জে দি, নেসনল কনফরেন্স, নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি, এ আই য়ু দি এফ, আর এল দি, পি দি পি অমসুং এ আই এম আই এমনচিংবা পার্টিশিংনা য়সৱন্ট সিনহাবু অমত্তা ওইনা শৌগৎলি।

খ্বাইদগী নৌবা ওপোজিসন পার্টি অমগী ফিরেপ্তা ঙসি য়সৱন্ট সিনহানা মহাক্কী মীরেপ চে পীশিনগদবা পুংফম খরা ৱাৎলিঙৈগী মমাঙদা কে চন্দ্রসেখর রাওনা লুচিংবা টেলঙ্গনা রাষ্ট্রিয় সমিথিগী মায়কৈদগী হান্না ওপোজিসন পার্টিশিংগী মরক্তা কোংগ্রেস য়াওই হায়দুনা নাথৈদুনা লৈরম্লবসু ঙসিদি মহাকপু শৌগৎলগনি হায়দুনা লাউথোকখি।

অদুম ওইনমক আম আদমি পার্টি অমসুং ঝরখণ্ড মুক্তি মোর্চাগী মায়কৈদগীদি ঙসি মীরেপ চে পীশিনখিবা অদুদা মখোয়গী মীহুৎ অমত্তা শরুক য়াখিদে। সিব সেনাগী ওইনসু হৌজিক পার্টি মনুংদা অকনবা লাম্বেং চত্থনরিবনা মখোয়গী মীহুৎশিং য়াওরখিদে। অদুগা বি জে পি নত্তবা অচৌবা পোলিটিকেল পার্টিশিং ওইরিবা ময়াবতিগী বি এস পি অমসুং ওদিষাগী বি জে দিনদি পাঙথোক্কদৌরিবা প্রসিদেন্সিএল পোল অসিদা দ্রৌপদি মুরমুবু শৌগৎকনি হায়না লাউথোকখ্রবনি।

ঙসি মীরেপ চে পীশিল্লবা মতুংদা য়সৱন্ট সিনহানা ফোঙদোকখিবদা 'রবর ষ্টাম্প' প্রসিদেন্টনা করিমত্তা তৌবা ঙম্লোই হায়বগা লোয়ননা মহাক্না মায় পাক্লগদি কন্সটিট্যুসনেলগী ওইবা প্রোভিজনশিং ময়েক শেংনা পাঙথোক্কনি হায়খি। মীখল অসিমক দ্রৌপদি মুরমুগা মহাক্কগী মরক্তা পর্সনেল ফাইট অমদি নত্তে হায়খিবগা লোয়ননা মীখল অসি লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসন কন্নবগী লানফম অমনি হায়খি।

পনবা য়াবদি, হৌজিক ফাওবদা মীখল অসিদা ভোট থাদগদৌরিবা ইলেক্টোরেল কোলেজগী ওইনা অপূনবা মেম্বরশিংগী মনুংদা চাদা ৪৯গী চাংদি এন দি এনা লুচিংলিবা রুল্লিং পার্টিগী মায়কৈদা লৈরিবনি। অদুম ওইনমক মীখল অসিদা মায় পাক্লে হায়রগদি তঙাইফদনা ইলেক্টোরেল কোলেজগী অপূনবা মীশিংগী মনুংদা চাদা ৫০ হেন্না ফংবা মীরেপ ওইদবা য়াদ্রিবনি।

KINGDOM EDUCATIONAL INSTITUTE™
N·S·D·C National Skill Development Corporation
Transforming the skill landscape
Recognised by Ministry of Corporate Affairs, Govt. of India
An ISO 9001:2015 Certified Institute
Special Class for X, XI, XII Appeared Students
IT & SKILL COURSES
Computer (NIELIT)
Spoken Hindi
Spoken English
AVIATION COURSES 2nd Batch –10th Jun, 22
Cabin Crew
Ground STAFF
Get trained under the Supervision of Sir Naobi Loitongbam
21 yrs Teaching Experience · 1 Mth in Myanmar / Burma as a Trainer · Multiple Schools & Colleges · 2 Mths at AIR (All India Radio) Imphal
3 mths at IT Call Centre as a Trainer · (Sponsored by SAT, Govt. of Manipur) · As an English Language Trainer (Sponsored by UGC)
www.kingdomeduinstitute.com 7005622203 / 8837407726
Kingdom Office, IIIT Building (1st Floor)
Old Lambulane, Opp. GP Women's College
HL-B/7705-24 June to 21 Aug (alt.)

